# দোনাল্ড ট্রম্পনা চিনা–শাফুগী মায়োক্তা লৈহন্নবা ইন্দিয়াগা হকশিন্না চেৎপা মরীশিং লৈনবা পাল্লি

*নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱরি ২৫(এজেন্সি)ঃ*
মালেমদা, মরু ওইনা এসিয়াদা শাফু কন্না শন্দোরক্লিবা চিনাগী মতিক ময়াইগী মায়োক্তা লৈহন্নবা য়ু এসনা ইন্দিয়াগা চেৎপা মরী লৈরবা পাল্লি।

ইন্দিয়াদা লাক্লিবা য়ু এস প্রসিন্টে দোনাল্ড ট্রম্পকী খোঙচৎ মনুংদা হৌখিবা চহীদা প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা ইন্দিয়াদগী প্রিফরেন্সিয়েল এক্সপোর্ট ষ্টেটস ককথৎখিবা অদুবু অমুক হঞ্জিন্নবগী মহুৎ ওইনা য়ু এসকী এগ্রিকলচরেল প্রদকশিং অমসুং মেদিকেল দিভাইসশিং ইন্দিয়াদা ইম্পোর্ট তৌবা য়াহন্নবগী খরা কোমথোকপা ট্রেদ দিল অমা তৌননবা ওফিসিয়েলশিংনা হোৎনরি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট খোঙচৎ অসিগী মমাঙদা মিনি–দিল অমা তৌনরবা য়াই হায়না অশা তৌনখিবনি অদুবু প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা মদু মহাক্না হাথু হাথুনা তৌরোই হায়খিবনি।

নিউ দিল্লিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা ঙসি ফম্বাক অমত্তদা শরুক য়ামিন্নবদা মিষ্টর ট্রম্পনা লৈবাক অনীমক্কী য়াম্না মরু ওইগদবা দিল অমা ঐখোয়না তৌরবা ঙম্লবা য়াই হায়বসি ঐহাক্না থাজে হায়খি। য়ু এসনা ইন্দিয়াবু চিনাগী মায়োক্তা কাউন্টর ৱেট অমা ওইহন্নবা মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা লাল্লোন ইতিক্কী মতাংদা



য়ান্নবগী চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাং অসিনা হেন্না নকশিন্নবা ষ্ট্রেটেজিক্কী মরীশিং লৈনরক্নবগী লম্বী অদু ফাৎপগুম তৌই।

অনৌবা সিটিজেন্সিপকী লোগী মতাংদা–মিষ্টর ট্রম্পগী খোঙচৎ মনুং য়াওনা মীশি মীনা থোকপা প্রোটেষ্টশিং মায়োক্নরবা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিদা মিষ্টর ট্রম্পনা থাগৎখি অমসুং ইন্দিয়াগা লৈনবা সেক্যুরিটি মরীশিং হেনগৎলকপবুসু থাখি। মীৎয়েং অসিগী মায়োল অদুদি চিনানা হেন্না খুদোংচাবা লৌশিল্লক্লিবা ঈশিং লমদমশিংদা ইন্দিয়াগী নেভিগী মপাঙ্গলদা ইনোৎ পীরগদবা দোল্লর বিলিয়ন ৩ গী দিফেন্স দিল খোঙচৎ অসিদা লৈবাক অনীনা শাহি তৌনগদৌরিবা অসিনি। চিনানা মথং মথং শক্তি শাগৎলকপা য়াবগী অকিবা অদু মখা তানা হেনগৎলকপগা লোয়ননা য়ু এস, ইন্দিয়া, জপান অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া, লৈবাক মরি অসিনা শারিবা গ্রুপ 'কুৱাদ' অদু অমুক হন্না শেমগৎনবসু দোনাল্ড ট্রম্পনা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরগা ঐহাক্না পুল্লগা কুৱাদ ইনিসিয়েটিভ অদু অমুক মথৱায় হাপকৎলে হায়না মিষ্টর ট্রম্পনা হায়খি। মেরিটাইম অমসুং সাইবর সেক্যুরিটিগী মতাংদা লৈবাক মরিনা হেন্না চাউনা তেঙবাংনবা অসি ফ্রী অমসুং ওপন ইন্দো–পেসিফিক অমা লৈহন্নবগী মরু ওই হায়না ট্রম্পনা হায়খি।

ঐখোয়না সেক্যুর ওইবা ৫জি ৱ্যারলেস অমগী মরু ওইবা অমসুং চাউখৎলক্লিবা টেক্নোলোজি অসিবু সপ্প্রেসন অমসুং সেন্সরসিপকী লম্বী ওইহনখিবা য়াবা করিগুম্বা অমত্তা তৌহনদবা– ফ্রিদম, প্রোগ্রেস অমসুং প্রোস্পরিটিগী খূৎলায় অমা ওইহনবগী মথৌ তাবা খন্নখি হায়না দোনাল্ড টম্পনা হায়খি।

ইন্দিয়াগী ৫জি নেটৱার্কতা চিনাগী কম্মুনিকেসন্স জাইন্ট হুৱাৱৈ টেক্নোলোজিজ কো. শরুক য়ারকপগী মতাংদসু দোনাল্ড টম্পনা পুথোকখি। দিসেম্বরদা ইন্দিয়ানা মখোয়গী ৫জিগী চাংয়েংশিংদা হুৱৱৈ য়াওহন্নবগী অয়াবা পীনবা ৱারেপ লৌখিবনি।

অনৌবা থোরক্লিবা ৫জি নেটৱার্কশিংদা হুৱাৱৈ ইক্কুপমেন্ট শীজিন্নদনবা অতৈ লৈবাকশিংদসু য়ু এসনা তকশিন্নবা হোৎনখি অদুবু কম্পিটিং টেক্নোলোজি লৈতবা মরমনা য়ু এসনা হোৎনবা অদু মায় পাকখিদে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ইন্দিয়া অনীমক্না কনাগুম্বা শক্তি অমত্তনা নমথদবা এসিয়া অমা উবা পাম্মী হায়না ওবামা এদমিনিষ্ট্রেসন মতমদা দিপুটি এসিষ্টেন্ট সেক্রেটারি ওফ ষ্টেট ফোর সাউথ এসিয়া ওইরমখিবা অমসুং হৌজিক কাউন্সিল ওন ফোরেন রিলেসন্সদা লৈরিবী এলিজা আই এসনা হায়খি।

# চিনাদা কোভিদ ১৯ লায়চৎতা শিবা ২৬৬৩ য়ৌখ্রে এসিয়াগী ৱাংমদা য়ুরোপ অমসুং মিদইষ্টতা শন্দোরকখ্রে

*বৈজিং,ফেব্রুৱরি ২৫(এজেন্সি)ঃ*
চিনাদা কোভিদ ১৯ লায়চৎতা নৌনা মীওই ৭১ শিখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা লায়চৎ অসি শন্দোরকপদগী শিবা মীগী মশীং পুন্না ২৬৬৩ য়ৌখ্রে।

নেসনেল হেলথ কম্মিসন (এন ঐচ সি)না পীবা নুমিৎ খুদিংগী পাউদমদা ঙসি লৈবাকপোকপা লায়চৎ অসিনা নাবা ৫০৮ থোরকখিবগা লোয়ননা পুন্না নাবা মশীং ৭৭৬৫৮ শুরে হায়খি।

নেসনেল হেলথ কম্মিসনগী রিপোর্ট অদুনা মীওই ৬৮ হুবৈদা শিখ্রে, শান্দাংদা ২ অমসুং গুৱাংদোংদা ১ শিখ্রে হায়খি। লায়চৎ অসি গ্রাউন্দ জেরো হুবৈগী মপান্দা শিবগী মশীংসু ৯ দা হন্থরকখ্রে। মসিনা লায়না অসিনা মীশিংবা অমসুং নাবগী মশীং মখা তানা হন্থরক্লিবা হায়বা উৎলি।

ঙরাং নিংথৌকবা নুমিৎতা ফরবা তুংদা অনাবা ২৫৮৯ হোস্পিটালদগী থোক্নরকখ্রে। ঙরাং নিংথৌকবগী অরোয়বা ফাওবা পুন্না অনাবা ২৭৩২৩ হোস্পিটালশিংদগী দিসচার্জ তৌখ্রে।

হুবৈ অমসুং ৱুহানদা নৌনা অনাবা ফরকখ্রবা কোরোনাভাইরস অনাবগী মশীংনা নৌনা নাবা মশীংদগী হেনখ্রে। নাবগী চাং হন্থরক্লিবা অদু ফোংদোক্লদুনা চিনাদা লায়চৎ অসিগীদমক লাক্লিবা



ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন (হু) মিসন লুচিংলক্লিবা কানদিয়ান ইপিদেমিওলোজিস্ত ব্রুস এলৱার্দনা মশীং হন্থরক্লিবা অসি চাইনিজ গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা থবকশিংনা অদুনা ওইথোকহল্লকপনি হায়খি।

চিনাদগী থোরক্লিবা ষ্টেটিষ্টিক্সশিং অদুদা লৈরিবা শীংনবশিং অদু ঐহাক খঙই। করিগুম্বদা মশীংশিং অদু হোংদোকই। ঐখোয়না হৌজিক তৌবা তারিসি তাশেংনমক মসি হন্থরক্লি হায়বদু থাজবগা লোয়ননা হায়বা ঙম্নবা ঈ–পাউগী তোঙান তোঙানবা লাকফম অদু য়াম্না চেকশিন্না য়েংশিনবা অসিনি হায়খি

অনৌবা কোরোনাভাইরস–কোভিদ ১৯ লায়চৎকী হৌরকফম চাইনিজ ইপিসেন্টর অদুদা শন্দোকপা চাং হন্থরকপগী খুদম উখ্রবসু লায়চৎ অদুনা লৈবাকসিগী ৱাংমদা মালেমগী অতৈ মফমশিংদা শন্দোরকপকী অকিবা পীরকখিবদগী য়ুরোপ অমসুং মিদ্দল ইষ্টনা থিংহৌনবা থবক লৌখৎনখ্রে।

ইটালিদা ওথোরিটিজনা লম্বীশিংদা অথিংবশিং থমখ্রে। ফুটবোল মেটচশিং তোকখ্রে। মমিং চৎলবা লা স্কেলা ওপেরা হাউস অদু য়াওনা অতৈ মফম কয়া থিংজিনখ্রে।

ইরানদা লৈবাকসিগী ওইনা কোভিদ ১৯ নাবদগী মীওই ১২ শিখ্রে হায়না গভর্ণমেন্ট ফোংখ্রে। মসিগা য়ূমথংনা লৈবাক ৫–ইরাক, কুৱাইত, বাহরেন, ওমন অমসুং অফগনিষ্টাননসু ভাইরস অদুনা মীওই কয়া নাবগী পাউ ফোংদোক্নরকখ্রে। লৈবাকশিংসিদা নারিবা পূম্নমক অদু ইরানগা মরী লৈনবা ঙাক্তনি হায়রি।

ভাইরস অসি শন্দোরকখিবদগী মালেমগী ওইনা থবক মখল পূম্নমক থিংজিনবগী অকিবশিংগী মতাংদগী ষ্টোক মার্কেটশিং অমসুং ফ্যুচরশিং নেমথখ্রে।

মালেমগী ওইনা কোভিদ ১৯ না নাবা মীগী মশীং ৮০০০ য়ৌখ্রে।

হৌজিক ফাওবা লায়চৎ অসিনা নাবা অনাবা অয়াম্বা চিনাদা লৈ অদুবু নৌনা নারকপগী চাং হন্থরকখ্রে মরম অসিদগী লায়চৎ অসিনা লানশিল্লকপা য়াবা অনৌবা মফমশিংদা পূক্নিং চংশিন্নরকখ্রে।

ময়ামদুগী মরক্তা মরু ওইবদি সাউথ কোরিয়ানি। কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে–ইননা ৱাথোক অসি লাকশিন্না মমাঙদা অমুক্তা তৌখিদ্রিবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লেভেল রেদ এলার্ট অমা লৈবাক অসিদা লাওথোকখ্রে।

# অৱাং নোংপোক দিল্লিদা সি এ এগী ইরাংদা মাপল শিখ্রে

*নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱরি ২৫(এজেন্সি)ঃ*
শেমদোক্লবা সিটিজেন্সিপ লোগী মতাংদগী খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিংদা অৱাং নোংপোক দিল্লি য়ামদ্রবা মীওই ৯ শিখ্রে। মসিগী মতুংদসু ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মফম কয়ামুক্তা নৌহৌননা হিংশা মখা চথখ্রে। মীওই খূৎপু খূৎপুশিংনা নূঙনা থানখ্রে, দুকানশিং থুগাইখ্রে অমসুং মফমদুগী মীওইশিংদা কিহনখ্রে।

হিংশাগী ফীভম অসিদগী ওথোরিটিজনা মীওই ৪ দগী হেন্না পুনবদা অথিংবা থম্বা ওর্দরশিং চালাইখ্রে অমসুং মসি মার্চ ২৪ ফাওবা মখা তানা চৎনখিগনি হায়রি। ঙসিগী লৈপাকপোকপগী অয়ূক্তা নূঙনা থানবগী থৌদোক অয়াম্বা থোকখিবা দিল্লিগী মৌজপুর এরিয়াদা অহেনবা পুলিস পার্সোন্নেল থমখ্রে।



ঙরাং থোকখিবা হিংশা অদুদা মীওই ১৫০ রোম শোকখি। মীওই খূৎপু মচা মচাশিংনা পুলিস অমসুং অচম্বা মীয়ামদা নূঙনা থাখি। অদুম ওইনমক পুলিস ফোর্স মশীং য়াম্না লৈবা অমসুং চেকশিন্না ঙাক–শেনবা মরম্না মখোয়না হিংশা অদু পাক চাউনা শন্দোকপা ঙমখিদ্রে।

ব্রহ্মপুরীদা খূৎ থোক্লখিবশিংগী মতুংদা পুলিস অমসুং রেপিদ এক্সন ফোর্স পার্সনেলনা ঙসি লৈপাকপোকপা নুমিৎতা খূৎপু অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লখিবদগী মফমশিং অদুদা ফ্লেগ মার্চ চৎখি।

ঙসি হিংশাদুদা নোংমৈনা পানবা মীওই ৩ জি টি ভি হোস্পিটালদা পুখৎখি। ইরাং তৌনবা মীওইশিংগা গোকুলপুরিদা ফায়ার টেন্দর অনী অতেক অকায় থোকহনখি।

বাবরপুরদগী রাজা কৌবা মীওই অমনা ফোংদোকপদা ঐখোয়গী মফম অসিদা ঙরাং নিংথৌকবা নুমিৎতা পুং অহুম চুপ্পা হিংশা ওইবা মওংদা খূৎ থোক্লখি হায়খি। মীওইশিং অদুগী অয়াম্বদি অতোপ্পা থংনবা মফমশিংদগী লাকখিবনি। মখোয় চৈ অমসুং য়োৎচৈনচিংবা পায়রকখি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

জোহরি এনক্লেব, শিব বিহার অমসুং গোকুলপুরি মেত্রো ষ্টেসনশিং থিংজিনখ্রে। অৱাং নোংপোক দিল্লিগী করদামপুরি এরিয়াদা নৌনা থোরকখিবা হিংশাগী থৌদোকশিংদা নোংমৈশিংসু কাপখি। ঙসি ভজনপুর চোক মনাক্তা নূঙনা থানখি।

জফ্রাবাদ, মৌজপুর, চান্দবাঘ অমসুং ভজনপুর এরিয়াশিংদা ঙরাং খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং থোকখি। মদুদা য়ূম কয়া অমসুং দুকান কয়া অতেক অকায় থোকহনখি অমসুং মৈ থাখি।

# জাকার্টাদা মীওই লিশিং কয়া ঈচাউ মায়োক্লখ্রে



*জাকার্টা, ফেব্রুৱরি ২৫(এজেন্সি)ঃ*
ইন্দোনেসিয়াগী কোনুং জাকার্টাগী মফম অয়াম্বা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ঈশিং ঈচাউনা থুমজিনখ্রে। প্রসিদেন্সিয়েল পেলেস য়াওনা য়ূম অমসুং বিল্ডিং লিশিং কয়া থুমখ্রে অমসুং চখোক চৎশিনগী থবক পূম্নমক শোকহনখ্রে।

অহিংদা নোং কন্না চুবদগী নোংমাইজিং নুমিৎতগী হৌরগা গ্রেটর জাকার্টাদা তুরেলশিংগী তোৰ্ব্বান পোখায়খ্রে, মী লৈনবা, লাল্লোন ইতিক্কী মফম কয়ামরোম ঈশিংনা ফুট ৫ রোম থুমখ্রে হায়না নেসনেল দিজাষ্টর মিটিগেসন এজেন্সিগী ৱাঙাংলোই অগুস ৱিবোৱোনা হায়খি।

ঈশিং ঈচাউগী ঈশিংনা ঙসি লৈপাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্তা ইন্দোনেসিয়াগী প্রসিদেন্সিয়েল পেলেস কপপ্লেক্সকী মফম কয়াদা চেনশিল্লকখ্রে অদুবু ৱাটর পম্প শীজিন্নদুনা হৌজিক ফীভম অদু লাকশিল্লে হায়না প্রসিদেন্সিয়েল ওফিসকী ওফিসিয়েল বে মেচামুদিননা হায়খি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা কন্না চুথরকখিবা নোংনা লৈবাকসিগী খ্বাইদগী চাউবা হোস্পিটাল, গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা কিপ্তো মঙ্গুনকুশুমো হোস্পিটাল থুমখ্রে।

# পৃথিবী পাকই প্রমান তৌবা পামখিবা মীওই রোকেট ক্রাসতা শিখ্রে

*লোস এঞ্জেলিস, ফেব্রুৱরি ২৫(এজেন্সি)ঃ*
পৃথিবী পাকই হায়না প্রমান তৌবা পামখিবা এমেচ্যওর আমেরিকান এষ্ট্রোনোট কালিফোর্নিয়াদা মাগী য়ূমদা শাবা রোকেট ক্রাসতা শিখ্রে হায়না রোকেট থাগৎপা অদুবু ফীল্ম নমখিবা সাইন্স চেন্নেল অদুনা ফোংদোকখ্রে।

মশাগী চহী ৬৪ শুরবা ষ্টন্টমেননা প্রোফেসন ওইবা মাইকেল হ্যুজেসনা ময়ূমদা শাবা ষ্টিম–পৱার রোকেট অমা থাংজা নুমিৎতা মহাক মশামক তোংদুনা পায়খৎখিবনি। মাইল অমারোম ৱাংনা পায়খৎকদবদা থাগৎখিবগী মীকুপ খরগী তুংদা রোকেট অদু ক্রাস তৌখিবনি।

# সুপ্রিম কোর্ট জজ ৬ স্বাইন ফ্লু নাখ্রে

*নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱরি ২৫(এজেন্সি)ঃ*
সুপ্রিম কোর্টকী জজ ৬ স্বাইন ফ্লুনা নাখ্রে অমসুং লায়না অসি কোকহন্নবগী থৌরাং পুথোক্লবা চীফ জষ্টিসকা লোয়ননা মীফম অমা পাংথোকখ্রে হায়না সেনিয়র জজ অমনা ঙসি কোর্টতা ফোংদোকখ্রে।

জজশিং অসি নাবা মরমদগী সবরিমালা মতাংদা কেস য়াওনা জজ ৯ গী বেঞ্চতা লৈবা কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ অনীগী কেসশিংগী হিয়ারিশিং অকায়বা থোকখ্রে।

জজ ৬ ঐচ ১ এন ১ ভাইরস নারে হায়না কোর্টতা জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুদনা লাওথোকখি। ওইরক্লিবা ফীভম অসি খন্নবা জজ পূম্নমক্না চীফ জষ্টিস এস এ বোবদেগা মীফম অমা পাংথোকখ্রে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

সুপ্রিম কোর্টতা থবক তৌরিবশিংবু লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনহন্নবা পাউতাক পীনবা চীফ জষ্টিস বোবদেদা মহাক্না হায়খ্রে হায়না জষ্টিস চন্দ্রচুদনা হায়খি।

চীফ জষ্টিসনসু সুপ্রিম কোর্ট বার এসোসিয়েসন প্রসিদেন্ট দুশ্যন্ত দাবেদা উনখ্রে।

চীফ জষ্টিস বোবদে য়াম্না নুংনাংখি অমসুং অসিগুম্বা ভাইরস লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা সুপ্রিম কোর্টতা গভর্ণমেন্ট দিস্পেন্দারি অমা লিংখৎনবা হায়খি হায়না মীফম অদুগী মতুংদা মিষ্টর দাবেনা হায়খি।

# নাসা মেথমেটিসিয়ান কেথরাইন জোন্সন চহী ১০১ শুবদা লৈখিদ্রে



*ৱাসিংটন,ফেব্রুৱরি ২৫(এজেন্সি)ঃ*
'হিদ্দন ফিগরস' কৌবা মুভি অদুদা মহাক্কী পূন্সিগী শক্তমশিং উৎখিবা নাসা মেথমেটিসিয়ান কেথরাইন জোন্সন মশাগী চহী ১০১ শুবদা ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা লৈখিদ্রে হায়না য়ু এস স্পেস এজেন্সি অদুনা ফোঙদোকখ্রে।

অমুবা কুচুগী নুপী অমা ওইরিবা জোন্সনগী কালকুলেসনশিংনা ১৯৬৯ দা থাগী লৈমায়দা অহানবা মীওই অদুত তাবদা মতেং ওইহনখিবনি। অদুবু ২০১৭ ওস্কার– নোমিনেটেদ ফীল্ম অমনা নাসাদা থবক তৌরিবী কুচু মুবী নুপী ৩গী ৱারীশিং লিদ্রিঙৈগী মতম অদু ফাওবা মহাকপু থোইনা শকখঙনবিখিদে।

মহাক আমেরিকান হেরো অমনি অমসুং মহাক্কী মাঙজিল থাবা থবকশিং অদু কৈদৌনুংদসু কাওবা ঙম্লরোই হায়না নাসাগী এদমিনিষ্ট্রেটর জিম ব্রাইদনষ্টিননা হায়খি। মহাক য়াওদনা নাসাগী শীংথনিংঙাই ওইরবা থবক অদু ঐখোয়না য়ৌবা ঙম্লরোই হায়খি।

জোন্সন অমসুং মাগী খোঙবু অমগনা স্পেসতা অহানবা আমেরিকান এষ্ট্রোনোট এলান সেপার্দকী ১৯৬১ গী সবওর্বেটেল ফ্লাইট অদুগী পেরামিটরশিং অদু হোৎখিবা অহানবনি। মহাক্কী অঙ্কগী থোইদোক হেন্দোক্না হৈশিংবা অদুনা জুলাই ১৯৬৯ দা থাগী লৈমায়দা নেইল আর্মষ্ট্রোং অমসুং বজ এলদ্রিন লেন্দিং তৌখিবা এপোল্লো ১১ গী ট্রাজেক্টরি লেপ্পা ঙমহনখি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট বরাক ওবামা ২০১৫ দা কেথরাইন জোন্সনদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিলিয়ান ওনর প্রসিদেন্সিয়েল মেদল ওফ ফ্রীদম পীখি।

# অমিত সাহনা অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল অমসুং লেফটনেন্ট গভর্ণর বাইজাল উন্নখ্রে




*নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱরি ২৫(এজেন্সি)ঃ*
শেমদোক্লবা সিটিজেন্সিপগী লোগী মতাংদগী অৱাং নোংপোক দিল্লিদা খূৎ থোক্লবদা দিল্লি পুলিসকী হেদ কনষ্টেবল অমা য়াওনা মীওই ৯ শিখিবা অদুগী মতুংদা লৈবাকগী কোনুং অসিদা ওইরক্লিবা ফীভম অদু খন্নবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা ঙসি মীফম অমা পাংথোকখ্রে।

মীফম অদুদা দিল্লিগী লেফটনেন্ট গভর্ণর অনিল বাইজাল, চীফ মিনিষ্টর কেজ্রিৱাল, কম্মিস্নার ওফ পুলিস অমুল্য পাতনায়ত, কংগ্রেশ লুচিংবা সুবাশ চোপ্রা, বি জে পিগী মনোজ তিৱারি অমসুং রাম্বির বিধুরি শরুক য়াখি। মীফম অদুদা য়ুনিহোম সেক্রেটরি অজয় ভল্লা, ইন্টিল্লিজেন্স ব্যুরোগী ডাইরেক্টর অর্বিন্দ কুমারসু শরুক য়াখি। ঙরাং নিংথৌকবগী নুমিদাংদা অৱাং নোংপোক দিল্লিগী শাথিবা হিংশা থোকখিবা অদুদগী লৈবাক্কী কোনুং অসিগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম অদু হোম মিনিষ্টর য়েংশিল্লবগী মতুংদা খোঙথাং অসি লৌখৎলকখিবনি।

হোম মিনিষ্টরনা দিল্লিদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অদু খন্নবা মীফম অদু কৌখিবনি হায়না হোম মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

অৱাং নোংপোক দিল্লিদা সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সি এ এ)গী মতাংদা হিংশা হেংগৎলকখিবদগী ঙরাং নিংথৌকবা নুমিৎতা হেদ কনষ্টেবল অমা য়াওনা মীওই ৯ শিখি অমসুং পেরমিলিটরি অমসুং দিল্লি পুলিস পার্সোন্নেল কয়া য়াওনা মীওই ১৫০ রোম শোকখি।

In the Court of The Sub-Deputy Collector
Keirao Bitra, Imphal East, Manipur

*Ref. :- Mutation Case No. 119/SDC/KBT Dt 25/02/20*

1. Urikhimbam Amubi Devi W/o (L) U. Kala Singh of Arapti Awang Leikai
2. U. Dhaneshwor Singh S/o -do-of-do-
3. U. Dhamendra Singh S/o (L) -do-of-do-
4. U. Bobin Singh S/o (L) -do-of-do-
5. U. Rakesh Singh S/o (L) -do-of-do-
6. U. Rajenkumar Singh S/o (L) -do-of-do-

***- Petitioners***

***-Verses-***

(L) Urikhimbam Kalla Singh S/o (L) Tonshajou Singh S/o (L) Arapti

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*Keirao Bitra, 25/02/2020*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Keirao Bitra Circle (Keirao Bitra) গী Patta No. 92 (অরিবা) 18/631 (অনৌবা) গী Village No. 51- Arapti C.S. Dag Nos. 52/424 an area .73 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar নুপী অমদি মচাশিংনা অসি মমিং ওনবিরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Keirao Bitra Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চথগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Keirao Bitra, Imphal East

SL/B(L)(1)/26

In the Court of The Sub-Deputy Collector
Sagolmang, Imphal East, Manipur

*Ref. :- Mutation Case No. 119/SDC/SLG/IE of 2020*

Sagolsem Raghumani Singh S/o (L) Tombirei Singh of Waiton Awang Leikai

***- Petitioners***

***-Verses-***

(L) Sagolsem Tombirei Singh S/o (L) Ningthou Singh of Waiton

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*Sagolmang, Dated, 19/02/2020*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ইঃ ইঃ তহসিল খুল নংঃ 31-Waiton পাট্টা নংঃ 539 (অনৌবা) দাগ নংঃ 42 মোট এরিয়া 1.09 একর চাওবা Phourel লৌফমগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নার অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং কক্লগা applicant গী মিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃতু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপত্তি Objection তৌনিংবা লৈরবদি পাউ–চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা অইবা চেনা অপত্তি / Objection তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপত্তি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East

SL/5892/26

**OFFICE OF THE CENTRAL HIGH SCHOOL (AIDED), CHALOU**

**NOTIFICATION**
**Chalou, 24th February, 2020**

Ref. No. 3/1/CHSMC/2020

In pursuance of ZEO, Zone – II, Government of Manipur vide order no. : 1/06/2009 – ED (ZEO – II) (A) : dated the 20th February, 2020, it is hereby notified to all the guardians of enrolment students of Central High School, (Aided), Chalou that a guardian election of two representatives will be held on the 6th March, 2020 at 10:00 am to 1:00 pm for the formation of new School Managing Committee of Central High School, (Aided), Chalou for the period of three years in the school premises.

The requisite election procedures are as under:-

1. Nomination file with Rs. 500/- and Aadhaar copy and two recent passport photos will be submitted on 02/03/2020 at 10:00 am to 1:00 pm.
2. Date of scrutiny on 03/03/2020 at 1:00 pm.
3. Date of withdrawal of nomination paper on 04/03/2020
4. Date of vote on 06/03/2020 at 10:00 am to 1:00 pm.
5. The result of the Election will be declared at 3:00 pm of the same day.

Sd/-
(K. Binoy Singh)
R.O.
Central High School, (Aided), Chalou
Imphal East

SL/5889/26

In the Court of The Sub-Deputy Collector
Imphal West (Central) : Manipur

Ref. :- Mutation Case No. 248/SDC/IW(C) of 2020, Dated 17/02/2020

1. Oinam Thoibi Devi D/o Ibomchamubi Singh of Singjamei Makha Oinam Thingel

***- Petitioners***

***-Verses-***

1. (L) Oinam Indrajit Singh S/o Ibomchamubi Singh of Oinam Thingel
2. Oinam Nilachand Singh S/o -do-of-do-
3. Santa Oinam S/o -do-of-do-
4. Oinam Thoibi Devi D/o -do-of-do-
5. Oinam Bimola Devi D/o -do-of-do-
6. Oinam Prabhabati Devi D/o -do-of-do-
7. Oinam Akashini Devi D/o -do-of-do-

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*Lamphel, the 21th February 2020*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা (Late) Oinam Indrajit Singh গী মিংদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট তাহশিলগী খুল নংঃ 59-Oinam Thingel, অরিবা পট্টা নম্বর 92 অনৌবা পট্টা নম্বর 86 দাগ নং 1070 অমসুং এরিয়া 0.12180 (হেক্টর) চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা লৈখিদ্রবা দংকারি মমিংদা পানবিনবা SDC IW (C) গী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ–চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথরগনি।।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (Central)

SL/B(S)/26

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-358**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 3 | | | 5 | | 2 | 1 |
| 9 | | 1 | | 8 | | 5 | | |
| | | 2 | 7 | | | | 9 | 8 |
| | 9 | | | 2 | | 7 | 8 | |
| 2 | 4 | | 3 | | | | | 9 |
| 1 | | 8 | 9 | | | | 5 | |
| 8 | 7 | | 5 | | | | | 2 |
| | | | | 7 | 9 | | | 5 |
| | 1 | | | | 2 | 9 | | |

GAS TODAY

**Misao Gas Service**
Booking : 22/01/20
Valid : 11/01/20
Stock : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Manipur Gas**
Booking : 26/11/19
Valid : 25/11/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m
(First come First serve)

**Khumbong Indane**
Booking : 09/01/20
Valid : 05/01/20
Sl No. : 430
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**সনা–সুদোকু–৩৫৭ গী সোলুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 8 | 9 | 4 | 1 | 6 | 7 | 3 | 5 |
| 4 | 6 | 7 | 2 | 3 | 5 | 8 | 9 | 1 |
| 5 | 1 | 3 | 9 | 8 | 7 | 6 | 2 | 4 |
| 8 | 7 | 4 | 5 | 2 | 9 | 3 | 1 | 6 |
| 9 | 5 | 6 | 3 | 4 | 1 | 2 | 8 | 7 |
| 1 | 3 | 2 | 7 | 6 | 8 | 5 | 4 | 9 |
| 3 | 2 | 1 | 6 | 7 | 4 | 9 | 5 | 8 |
| 6 | 4 | 5 | 8 | 9 | 3 | 1 | 7 | 2 |
| 7 | 9 | 8 | 1 | 5 | 2 | 4 | 6 | 3 |